থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ‘বজেট পুথোরক্লগনি, ৱাখল খন্থমিন্নসি’

ঙসি তমগে খঞ্জরুরিবা পাউদম অসি শেল-থুম/শেনবা-থুম্বাগী মরমদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা ইকোনোমিষ্টশিংনদি পারুরগা ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা চৈবীরকপসু য়ারিবনি - ‘ননাৎ নত্তনা শঙ্গোম চাগে খল্লুনু, চোপ্পা নংদুনা তোক্কনি’। ঐ খঙই - লৈবাকসিগী ইকোনোমিগী মরমদা ইনীংই হায়দুনা ৱারেং অমা হেক্তা ইরুবা হায়বসি লৈবাক-’মাঙদা চোপচগে থৌরাংলুবগা পাংখক্লি। অদুগা, অমরোমদা, ঐখোয় শ্বাইগী ইকোনোমিষ্টশিংনা ইরকপা ইকোনোমিগী ৱারেংশিং অসিনা ইকোনোমিক্স তম্লিবা মহৈরোয় অমদি ইকোনোমিষ্টশিংতনা খঙনবা ইরকপনা ঐখোয়গুম্বা মীচম্মা, লৈবাকসি ইকোনোমি (শেল-থুমগী ফীভম) কমদৌরিবগে? কৈদৌঙৈদা খঙবা ঙমদে। চৎলিবা চহীসিগী শেনবা-থুম্বা (ফাইনান্সল য়র) হৌদ্রিঙৈ, কোরোনাভাইরস’কী এটেক্লা মথোঙ-মরম (মকোক-মমৈ) খঙহনখিদ্রবা মীয়ামসি, থা তরেৎ হৌজিনখ্রবা তুংসিদসু শূফম-নোম্ফম খঙদ্রবা, শিল্লম-শিন্থোং খঙদ্রবা মী ওইনা অদুম লৈরি। কৈদৌঙৈ অফবা কোরৌদু অমুক হন্না থোরক্কনি? কনানসু হায়বা ঙমদে। মহৈ তম্লিবা অঙাংশিং, মহৈ তম্বা ফংদনা মাঙখ্রবা থাবুম কয়াসিনা মাঙহনখ্রবা, অমুক মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা ‘ক্রিয়েটিভ ওইবা মীকূপশিং’ করিনা রিপ্লেস তৌগনি? কনানসু খন্নদে। মহৈরোয় অমনা চহী অমা মহৈ তম্বা ফংখিদবা হায়বসি, মহাক্লা থাংফম থোকপা (চৎলমগদবা) পুন্সিগী খোঙথাং চহী তরা মনীং হন্না চৎলবগা পাংখক্লি’সু হায়নরিবনি।

অসুম্না কোভিদ-১৯ অমদি লোকদাউন’না শোকহল্লবা লৈবাকশিংগী লৈঙাকপশিংনা হৌজিক তৌনরিবসি- ভাইরস অসি করম্না লাকশিনগদগে হায়বদুদা মরু ওইবা এম্ফেসিস পীরগসু, লৈবাক্তুগী য়াংলেন শরূ ওইরিবা ‘ইকোনোমি’ অদুদি তেকখিদনবা হোৎনবরোমদসু চপ মান্ননা মরু ওইনা লৌনৈ। অদুবু, ঐখোয়’ লৈবাক ‘ইন্দিয়া’ সিদদি, থা তরেৎ হৌখ্র’মতুংসিদসু লায়না অসি হৌজিক হোরেন লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়বই থাজবা লৈত্রি। অনাবা অমদি অশিবা মশীং হেনগৎলকপা লেপতরি। ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেটশিংদা ‘পিক-টাইম’ (হেনগৎলকপই পন্দোল) লোমখ্রে খন্নরবসু মণিপুরগী ওইনদি হৌজিক্তমক পন্দোল লোমখৎলক্লি। হৌজিক্তি মণিপুর লৈঙাক্কী শেঙ্গাও পুমহাঙ হাঙলে (এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী লন্নাই ফুরিৎখাও থল্লবসু), হান্নগীদুগুম্বা লোকদাউন অমা লাউথোরকপা থোক্লবা, টোটল লোকদাউন-সিচ্যুয়েসন অদু মায়োক্লনবা (মীয়ামদা ফ্রী-রাসন পীনবা) দরকার ওইবা শেনফমদুদি লৈঙাকসিগী শেঙ্গাওদা লৈতরে। থা তরেৎসিদা কোভিদ-১৯ থেংননবা সেন্টরনা লুপা কয়া থাদরকখিবা? কয়াম শীজিন্নথোকখ্রবা? মীয়ামদা লাউথোকখিদবনা, মীয়াম্নদি খঙফম থোক্তে। মোদিনদি নবেম্বর থা ফাওবগী মতিক চাবা শেল অমদি ষ্টোক লৈ লাউথোকখিবনি, লায়রজবা ষ্টেটসিগী লৈতে হায়বা খঙবই ৱানি। খঙবদুনা ৱারুরিবনি - কুমশিনা অসুক ৱারবসিদদি, নোংমৈদি করম’ থোক্লরনি? ঙসি চানীংঙাই লৈত্রগা, হয়েং চখোম থন্না চাগনি হায়বই থাজবা করম’ পোক্লনি? ফেব্রুৱারী থাদা শেমখিবা ‘মণিপুর ষ্টেট বজেট’, মার্চ থাদই হৌখিবা শাংলবা নেসনল লোকদাউন অদুনা মথক-মখা ওন্থোক্লনল্লগনি - তৌগে খল্লম্বা থবক কয়া অমা তৌখিদবা, হান্না থৌশিল য়াৎখিদবা কয়া অমবুনা প্রাইওরিটি পীদুনা তৌখিবা।

অসুম্না, মথোঙ-মরম খঙখিদ্রবা বজেট অদুনা কাং-খোং চাইহল্লবা ইন্দিয়াগী ইকোনোমি, লাক্কদৌরিবা চহী কয়াদসু, হান্নগী ফীভমদা অমুক হঙ্গৎপা ৱারগদবা ফীভম অমদা লৈরে হায়বসি লোৎপা-য়াদ’ খঙনরবা ৱাফম ওইবনা মথং-চহীগী শেনবা-থুম্বা, করম্না শেম-শাদুনা লমদমসিবু করম্বা মায়কৈদা পুদৌরি? হৌজিক্তগী খন্নহৌবা, মতম চপ চারবনি। ঐদি খল্লি - মন্ত্রি মন্দল, অঙম অথৌ, অখঙ অহৈ কনাসু ৱাখল অসি খল্লম্লোই। চহী কয়াদগী তৌদুনা লাকপা হৈনবী, মমাঙ চহীদা পুথোকখিবা বজেট কোপি অদু পুথোক্লগা ফিগর খরা শেমদোক-শেমজিন তৌরগা, ফাইনান্সল মেট্টর করিমত্তা খঙদবা ফাইনান্স মিনিষ্টর’না এসেমব্লিদা পাথোক্লগা, খন্নদে-নৈনদে হায়খিনি খন’, ৱাহং-পাউহং খরা তৌনরগা অদুম পাস তৌখ্রগদবা বজেট’নি।

অহৌবদা পঞ্জখিবদুনি - বজেটকী মরমদা ঐগুম্বা অমনা ইবা ৱারেং, ইকোনোমিষ্ট অমনা কৈদৌঙৈদা শীংথাবদি হৌনদে। অদুবু ঐহাক ৱাফম অসি হায়বা ফাওবদি চিংনদে, মদুদি, বজেট হায়বসি ‘তুংদা লাক্কদবা শেনফম (ইনকম) অদু কদায়দা খরচ তৌগদগে, কয়াম তুংশিনগদগে, শেন্দোল কয়াম শিংগদগে হায়বদুগী ফাইনান্সল-প্লান অদুনি’। কোর্পোরেট (কম্পনি) বজেট, গভর্ণমেন্ট বজেট, ফেমিলি বজেট ... মখল কয়া কয়ানি। পূম্নমকসিগী মনুংদা খ্বাইদই মরু ওইবসি গভর্ণমেন্টকী বজেট’নি লৈবাক অমগী য়াম্লবা মীয়াম অদুগী মরাইবক লেপকদৌরিবা। মীঙোন্দগী/মীরৈবাক্তগী পূরুরগা লৈঙাক চলাইবা, দিফিসিৎ বজেট’না লৈবাক অমই মরাইবক লেপ্পা য়ারোই। গভর্ণমেন্ট অমগী বজেটকী মরু ওইবা মশক্তি ‘কদাইদই কারকপা রিভিন্যু (ইনকম), কদোমদা খরচ তৌগদৌরি’ হায়বদু ময়েক শেংনা উৎপা সম্মরি/প্লান অদুনি। গভর্ণমেন্ট- বজেট, মখল অহুম শুই - ওপরেটিং (করেন্ট) বজেট, কেপিটেল (ইনভেষ্টমেন্ট) বজেট অমসুং কেশ (কেশ ফ্লো) বজেট। ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন বজেট, মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক এফ্যেরস-বজেট দিভিজন’না শেম শাই। ফাইনান্স মিনিষ্টরনা বজেট মেকিং কম্মিটিদুগী মকোকনি। মহাক্কী ভিজন অমসুং মিসন’দুগী মমিনি বজেট’তুদা তারিবা। ইকোনোমিক এক্সপর্ট ময়াম য়াওবা কম্মিতি’দুগী এক্সপর্টশিংগী এক্সপর্ট’নি ফাইনান্স মিনিষ্টর। মণিপুরগী লাইবক থীবদি অদুগুম্বা এক্সপর্ট অমত্তনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরকখিদবা অসিনি। থাবুম মরি ফারক্ত্রে, মণিপুরগী ষ্টেট বজেট লান্থোরক্কদবা, এসেমব্লি’দা। মশাগী ভিজন লৈজবা ইকোনোমিষ্টশিং, ফাইনান্স মিনিষ্টরবু পাউতাকপীয়ু, লমজিংবীয়ু।

লৌশিং পুক্কে

# অয়ুক্তা হকচাং শাজেল তৌবনা কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লি: ষ্টদি



অয়ুক অঙনবদা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংনা থেংথরক্লবা মতমদা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংদগী কেন্সর নারকপা য়াবগী খুদোংথীবা নেম্মী হায়না অনৌবা ষ্টদি অমনা উৎখ্রে।

মতুং তারকপদা তৌরক্কদবা রিসার্চশিংদা হকচাং শাজেল তৌবগী মতম অসিবু কেন্সরগী রিস্ক হন্থহন্নবগী পান্থৈ অমা ওইনা খঙহনবদা অনৌবা ষ্টদি অসিনা মতেং পাংবা ঙম্লগনি হায়রি। ষ্টদি অসি ইন্টর্নেসনল জর্নেল ওফ কেন্সরদা পল্লিস তৌরকখিবনি।

রিক্রিএসনল এক্সর্সাইজ তৌবনা মীওই অমদা তোঙান তোঙানবা মখলগী কেন্সরশিং নাররকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বসি মমাঙদা চথখিবা রিসার্চনা উৎখ্রে। কেন্সরনা নাবা মীগী মশিং অমসুং লায়না অসিনা নারগা শিবা মীগী মশিং অসুক্কী মতীক য়াম্বা মরম্না হায়রিবা ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওই। খুদম ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা চৎলি চহী অসি লোইশিল্লকপা ফাওবদা মীওই ১,৮০৬,৫৯০ কেন্সরগী দাইগ্নোজ তৌগনি, অদুগা মীওই ৬০৬,৫২০না লায়না অসিনা নারগা শিগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা পানরি।

কেন্সরনা নাবা মীগী মশিং অসুক্কী মতীক য়াম্বা অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমগী হকচাং শাজেল তৌবগী মতম হোংদোকপগুম্বা য়াম্না অপীকপা অহোংবা অমা পুরকপা হায়বসিনা মীওইবা খুন্নাইদা কেন্সরনা পীরিবা চৈথেং অসি হন্থহনবদা য়াম্না চাউবা মতেং ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

ঐখোয়গী লমদম অসিদসু কেন্সর নাবগী চাং অসুম অসুম লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। অদুগা অমরোমদনা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া অমদি তৌফম থোকপা হকচাং শাজেলগী চাং তৌদ্রি। ফিজিকেল এক্টিভিটি তৌবগী হেনগৎপা অমদি মদুবু খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা ফংগদবা মতমদা তৌনবা হোৎনবনা লমদম অসিদা কেন্সর নাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি হন্থহনবদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই।

মীওই অমগী সর্কেদিয়ন রিদমগা মীওই অদুদা কেন্সর নারকপা য়াবগী ফিভমগা মরী লৈনৈ হায়বগী ইভিদেন্সসু লৈ। সর্কেদিয়ন রিদম হায়বসি মীওই অমগী তুম্বা অমসুং হৌগৎপগী সাইকলগা মরী লৈনবা বাইওলোজিকেল প্রোসেসনি।

ইন্টরনেসনল এজেন্সি ফোর রিসার্চ ওন কেন্সরনা অহিংদা থবক তৌবা হায়বদি নাইট শিফ্টতা থবক তৌবা মী অমগী সর্কেদিয়ন রিদমদা কায়হনবা অসিনা কেন্সর থোকহল্লম্বা য়াই হায়বগী ইভিন্দেন্স অদু খন্নখ্রে।

রিসার্চরশিংনা হায়রি মদুদি, নুমিদাংগী মতম (নাইট শিফ্ট) দা থবক তৌবনা ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। অদুবু মসিনা প্রোষ্টেট কেন্সর নাহল্লকপগী ইভিদেন্সতি ময়েক শেংনা খঙদ্রি।

সাইন্টিষ্টশিংনা উৎখ্রে মদুদি, হকচাং শাজেলগা মীওই অমগী সর্কেদিয়ন রিদমগসু মরী লৈনৈ। ২০১৯গী রিসার্চ অমগী মতুংইন্না অয়ুক নুংথিলগী মতমদা হকচাং শাজেল তৌবনা মীওই অমগী সর্কেদিয়ন রিদম ফগৎহনবদা অমদি মপুং ফানা তূম্বা য়াদবগী খুদোংচাদবা হন্থহনবদা মতেং পাংবা য়াই হায়রি।

হকচাং শাজেল তৌবনা কেন্সরগী রিস্ক হন্থহনবা ঙমই অমদি সর্কেদিয়ন রিদম ফগৎহনবা ঙমই অদুগা সর্কেদিয়ন রিদম কায়বনা কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা ৱাফম অসিগী মতুংইন্না অনৌবা রিসার্চ অসিগী রিসার্চরশিংনা হকচাং শাজেল তৌবগী মতাং-মতমনা কেন্সরগী রিস্কতা এফেক্ট তৌবা য়াই হায়না থাজবা থল্লম্মী।

অনৌবা রিসার্চ অসিগী রিসার্চরশিং অদুনা থাজবা থল্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা অশেংবা অমা খঙদোক্লবগীদমক পার্টিসিপেন্ট ২,৭৯৫গী দেটা এনালাইজ তৌখি। পার্টিসিপেন্টশিং অদু স্পেনিস মল্টি কেস-কন্ট্রোল ষ্টদি (MCC-Spain) দা শরুক য়াখিবা পার্টিসিপেন্টিশিংগী সবসেট অমনি। MCC-Spain অসি কেন্সর থোকহনবা মরমশিং খঙদোক্লবা অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা স্পেনদা চথখিবা ষ্টদি অমনি।

রিসার্চরশিং অদুনা থেংনখি মদুদি অয়ুক পুঙ ৮ অমদি ১০গী মরক্তা হকচাং শাজেল/ফিজিকেল এক্টিভিটি তৌবনা ব্রেষ্ট কেন্সর অমদি প্রোষ্টেট কেন্সর নাবগী চাং হন্থহনবদা খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা পী।

রিসার্চরশিংনা হায়রি মদুদি, অয়ুক ঙন্না হকচাং শাজেল তৌবনা কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লিবা অসি ইষ্ট্রোজেনগা মরী লৈনরম্বা য়াই। ইষ্ট্রোজেনগী চাং ৱাংবগা ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎপগা মরী লৈনৈ, অদুগা অমরোমদনা হকচাং শাজেল তৌবনা ইষ্ট্রোজেনগী চাং হন্থহনবা ঙমই। ইষ্ট্রোজেন পুথোকপগী থৌওং অসি অয়ুক্কী পুঙ ৭ লোম তাবা মতমদনা খ্বাইদগী হেন্না এক্টিব ওই।

মেলাতোনিনসু ফেক্টর অমা ওইরম্বা য়ারি। রিসার্চরশিংনা উৎখ্রে মদুদি মেলাতোনিননা হকচাংবু কেন্সরগী রিস্কতগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। অদুগা অথেংবা মতমদা নৎত্রগা নুমিদাংগী মতমদা হকচাং শাজেল তৌবনা মেলাতোনিন পুথোকপদা থীন্থহল্লি।

রিসার্চরশিংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না ষ্টদি অদুগী লিমিটেসন খরদি লৈ হায়রি। অদুমওইনমক হায়রিবশিং অদু অচৌবা ইস্যুশিং নত্তে। লিমিটেসন খরা অসি লৈজরগসু হকচাং শাজেল তৌবগী মতাং-মতম অমদি কেন্সর রিস্ককী মরক্তা লৈনবা মরীগী মতাংদা থিজিনবগী কান্নবা অদুদি ষ্টদি অসিনা ময়েক শেংনা উৎলে।

# ত্রিপুরাদা ভাগ্যাচন্দ্র নিংথৌনা লৈখিদবগী নুমীৎ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর২০ (ঐচএনএস) : ত্রিপুরাগী তোঙান-তোঙানবা মৈতৈনা তাবা খুঙ্গং লৈকায় কয়াদা ভৈস্নবা চুরামনি রাজার্ষি ভাগ্যাচন্দ্র নিংথৌনা লৈখিদবগী চহী ২২২শুবা নিংশিং কুমওনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু অগরটলা মথচৌমনি (অওলি)দা মরুপ পার্উচে অমদি লময়ানবা শংস্থা অনীনা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা লৈখিদ্রবা ইনিংথৌ ভাগ্যাচন্দ্রগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা খুন্নাইগী আর কে তপনজিৎনা ভগৱট পাথোকখি। হজারিময়ুম বাদল বেনর্জিনা থৌরম মপু ওইরগা চীফ গেষ্টনা লময়ানবগী চীফ ৱাংখেম বিরমঙ্গল, গেষ্ট ওফ ওনরনা খুন্নাইগী শৈশকপী আর কে ভর্মাজিৎ, লময়ানবগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ মাধবি অমসুং মরুপ পাউচেগী জোইন এদিটর আর কে তরুনজিৎনা ইনিংথৌ ভাগ্যাচন্দ্রগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা কমলঘাট মৈতৈ খুঙ্গং সান্তিপারাদা তোরোপোকপী রাজর্ষি ভাগ্যাচন্দ্র স্মৃতি সঙ্ঘনা শিল্লগা জুগল কিশ্বর মন্দপতা ফুরাইলাৎপম দিনমনি শর্ম্মানা ভগবত পাথোকখিবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিময়ুম জিতেন অমসুং থাং-তাগী ওজা তপাসজিৎ রাজকুমারনা মরুওইনা ৱা ঙাঙখি। রাজর্ষি ভাগ্যাচন্দ্রগী ২২২শুবা নিংশিং কুমওনগী থৌরম নোর্থ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী জালাবসা মৈতৈ খুঙ্গংদসু হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা চিংলেম্না পাঙথোকখি হায়রি। থৌরম অদুদা খুন্নাইগী অহল কামিনিজিৎ রাজ কুমারনা থৌরম মপু ওইরগা অহৈবম চুরামনি অমদি অহৈবম রবিন্দ্র কুমার অমসুং অহৈবম বুধচন্দ্রানা ইনিংথৌগী মরমদা ৱাফম কয়া থমখি। লোয়ননা অগরটলা ধালেশ্বরদসু থৌগন লুপনা শিন্দুনা ভাগ্যাচন্দ্র নিংথৌগী লৈখিদবগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মরুওইনা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ রাজিব অমসুং হনারানিনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা মফম অদুগী ইমা-ইবেন কয়াসু হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা শরুক য়াখি হায়রি।

## এম এম দব্লিয়ু ওগী জেনরেল বোদি মীটিং নবেম্বর ১৪দা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) হেদ ক্বাটরগী ওফিস বেয়রশিংগী টর্ম লোইখিবনা অনৌবা ওফিস বেয়রশিং খন্ননবগীদমক জেনরেল বোদি মীটিং অমা চহী অসিগী লাক্লিবা নবেম্বর ১৪দা পাঙথোক্লগনি হায়না এম এম দব্লিয়ু ওগী জেনরেল সেক্রেটরি অমিনুদ্দিন মোইজিংময়ুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তান ফোঙদোকখিবদা এম এম দব্লিয়ু ওবু নুংশিবিবা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা লুপ অসিগী থৌগাই পুবা য়াওবিনবা লুপ অসিগী হেদ ওফিসতা মেম্বরশিপ এনোরমেন্ট ফোর্মসু থাজরে। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা নবেম্বর ৮নি। এম এম দব্লিয়ু ও লুপ অসিনা চঙশিল্লিবা মেম্বরশিপ মোবিলাইজেসন অসিদা অথাপ্পা মফমদা লৈবা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা হেদ ক্বাটরদা থৌ পুবা ঙমদ্রবসু ব্রাঞ্চ হাংদোক্তুনা লুপ অসিগা মরি থম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু অপিল তৌরক্লি। লোয়ননা লুপ অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অমদি তোঙান-তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরগদি ৭৪২৩০৭৭০০৬ অমদি ৯৩৬৬৭৪২২০৪দা কন্টেক্ট তৌবিরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## হোম ক্বারন্টিন তৌরিবশিংদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : খাঙবোক এ সীগী মনুংদা লৈরিবা খাঙবোক মখা লৈকায়, লমলোং কৈথেল, তাংখা লৈকায়, মাইস্নাম লৈকায়, ময়ায় লৈকায়, মোইরাং পল্লি লৈকায়, চেরাপুর খুনৌ, খুল্লাকপম লৈকায় অমসুং অৱাং লৈকায়শিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্তুনা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ইমুংশিংদা তরেৎলকশুবা ওইনা খাঙবোক জিলা পরিষদ মেম্বর খুন্দ্রাকপম রাজ মোহোননা ঙসি কোয়না চৎতুনা চান-থক্লবা অচা-অথক অমদি পোৎ চৈ কয়া মতেং পাংখ্রে।

মণিপুরদসু কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন ওইরকপা য়াবগী ফীভম লাক্লবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসি থেংনবদা ঐখোয় পূম্নমক শরুক য়ামিন্নসি। লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি অসি মীয়াম্না ঙাক্লা চৎমিন্নসি হায়না জে পি রাজমোহোননা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকচরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) :

মীতৈ লাইনিং ইনাৎপু অমুক হিঙ্গৎহনবদা থৌনা লৈনা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায় ইম্ফালদা লৈরম্বা লুৱাংচা অয়েকপম তোম্বানা থা অসিগী ১৫দা পুন্সিগী অরোই য়াহিপ তানখ্রবদা সনামহী লাইনিংকোল শঙলেন (সনাকোন)না শিন্দুনা লোয়শঙদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা অহল ইবুংঙোগী য়াইবি থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা-চিক্লা য়াতবা ওইরসনু হায়না তাইবঙ মপুগী মফমদা থৱায় হকচাংমক য়াওনা মীৎকুপ খরদং তমিন্না লেপ্তুনা মীয়াম্না থৌনিখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না সনামহী লাইনিংকোন শঙলেন (সনাকোন) ইম্ফালগী য়াইতোংবা খুমনচা পুখ্রম্বম অঙম্বানা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## জন অন্দোলন কেম্প্যেনগী খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : জন অন্দোলন কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সোরাদা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী চেকশিন্না লৈনবা অমদি চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎনবগী পাউজেল পীবা খোঙচৎ অদু ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি রোমেন্দ্রোনা লমজিংখি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা মফম মফমশিংদা মাইক শীজিন্নদুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা ৱাফমশিং থমখি। খোঙচৎ অদুদা সোরা এরিয়াদা লৈবা সোসল ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

## য়ুঙৌ লিটর ১০০ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : লাক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা ঈ সী আইনা পীরকপা পাউতাক অমগী মতুংইন্না ইনফোর্সমেন্ট টিম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এক্সাইজনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা চথরকপা দ্রাইভ অমা ওইনা ঙসিসু লোকল মার্কেটতা লুপা লিশীং ১১ রোমগী ওইগদবা য়ুঙৌ লিটর ১০০ রোম ঙসি অয়ূক ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ফাগৎলবা য়ুঙৌশিং অসি কম্মিস্নর এক্সাইজদা ফাইন থিহল্লবা মতুং মাঙহনখ্রগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্সমেন্ট টিমগী নোদেল ওফিসর ইন্সপেক্টর এস নিলকুমারনা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা দ্রাইভ অসি মীখল লোইদ্রিফাওবা চথখিগনি হায়রি।


হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**অথোকপম বিনোই, তেরাখোং মনিং লৈকায়**

খুন্নাই অমা চাওখৎপা অমদি অফবা মায়কৈ অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মগুন লৈবা, মহৈ-মশিন হৈবা হায়বসি তঙাইফদে। মহৈ-মশিন হৈবা, মগুন লৈবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ওজাশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ অমদি ওজাশিং অদুনা লৌরিবা থৌদাং কাউথোকপা য়ারোই। মতম অমদা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংনসু অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লম্মী। অদুবু হৌজিক্তি কয়া উরক্তরে হায়বা য়াই। মসি করিদগী ওইরকখিবনো হায়বদু নৈনবা য়াই। শুপ্নগী গভর্ণমেন্টকী থবক অমা তৌদুনা তোলোপ চাবা পাম্বগীদমক ওজা ওইনবা থোক্লিবরা নৎত্রগা ওজা ওইবগী গুন য়াওরবসু হোৎনবা ৱাৎপগীদরা? মরম অসিনা শেল পায়জদ্রবসু মচাশিং ফহন্নিংবনা মমা-মপা ওইবশিংনা প্রাইভেট স্কুলদা অঙাংশিং মহৈ তমহনবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরম্বা য়াই। লন্নাই স্কুলশিং লৈরমদ্রগদি থবক ফংদবগী লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসি অমুক্কা হেন্না লৈঙাক্লা মথা শারম্বা য়াই। প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবশিংনা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকখ্রে, পুথোক্লি অমদি পুথোকখিগনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসিদদি কন্না অমত্তনা মতেং পাংবিবা হায়বদু ওইদ্রি। মরম অদুনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ৱারবা ওজাশিংগীদমক লৈঙাক্লা করিগুম্বা খরদংদি মতেং পাংফম থোকই।



**মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়ায় লৈকায়**

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না নাবা অমদি শিবগী মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা সী এমনা লোকদাউন অমুক থম্বা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে। সেন্টরগী অয়াবা ফংলবা মতুংদা থল্লবসু য়ারি। মীয়াম্না এস ও পি অমদি গাইদলাইনশিং ঙাক্তবনা তঙাইফদনা লায়না অসি লাকশিন্নবা লোকদাউন থমগনি হায়বিখি। মীয়াম্না ৱাখল তানা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লম্লগদি লোকদাউন থল্লমদ্রবসু য়াবনি। অদুবু অমরোমদা মীয়ামগী ৱাখলদসু ৱাহং অমদি হংনরি মদুদি বাই ইলেক্সনগী ভোৎ কেম্প্যেনদা কদাই ফাওবা এস ও পি ঙাক্লিবগে? এম এল এ অমদি মিনিষ্টর য়াওবা ইলেক্সন কেম্প্যেনশিংদা এস ও পি ঙাক্তবগী অচৌবা মমি অদুমক উরি। হৌজিক্কী ওইনদি ভোৎ খোম্বগী থৌরমশিংদা মী য়াম্বা তান্নবগী থবক তৌদবনা ফগনি। ভোৎ ময়াদা এম এল এ ৬০না হায়খিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোকপীরল্লবদি লমদম অসি স্বিজরলেন্দগুম্না নিংথিজরমগনি। মীয়াম ঐখোয়সু ৱাখল তামিন্নদুনা অনৌবা লোকদাউন অমা অমুক ঙাইরগুমসি, ৱামিন্নগদৌরিবসি ঐখোয়নি। ইনক নক্লা মিজোরামনা লায়না অসিগী কেস মশীং য়ামদ্রিবা অমদি শিবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈত্রিবা করিগীনো খঙমিন্নবা কান্নগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## সান্দোনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস) : অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) কী লাইফটাইম প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারগী মচানুপা শক্লাইরবা শৈশকপা লাইশ্রম সান্দোনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না অম্মিক্কী জেনরেল সেক্রেটরি এম ধনঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবা লাইশ্রম সান্দো ঈশৈগী লম্দা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা লো প্রেক্টিস্নর অমসু ওইরম্মী। মহাক্লা ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক্তা বেজ তৌবা লমদমসিগী লৈহাওগা চাশিন্নবা ঈশৈ কয়াসু পুথোকপীরম্মী। মহাক্লম্বা ঈশৈগী অরংবা থৱাম্নীচাক অমা কেনখিবদা অম্মিকনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা মতম মতমগী ওইরকপা, থোক্লকপা অৱা-অনা কয়া অম্মিক্লসু শরুক য়াদুনা লাকপগুম হন্দক্কী কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা পীরকপা অৱাবা চৈথেং মরু ওইনা আর্টিষ্টশিংদা পীরকপা, থেংনরিবা অৱাবা কয়া অম্মিক্লা অঙম্বা মতেং খজিক্তং ওইরবসু পাংজদুনা মণিপুরদা ঈশৈগী থৌমীশিং, শৈশকপা-শৈশকপী, অয়ে-অখোং তৌবশিং পূক্লিং থৌগৎচদুনা লাক্লি। ঈশৈগী আর্টিষ্টশিংগী ৱারবা মতমসিদা অঙম্বা খরদং লুপ অসিনা শীঞ্জদুনা মতেং পাংজখি, লোয়ননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা অম্মিক্কী মেম্বরশিংদসু শেলগী ওইবা অঙম্বা মতেংসু পাংজদুনা আর্টিষ্টশিংগী লিংজেল মান্নবা, নুংশিনবা অদু উৎমিন্নখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।১০।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা; অয়ুক পুং ৯.০৮ ফাওবা মেরাগী ৫ নি পাল্লি, মতুং ৬নি পানগনি।

**মেষ :** অঙনবদা হকচাং খরা নুংঙাইরোই অমদি পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎকনি। থেংলপ্পা শেল-থুম ফংগনি, থবক পাংগনি, নথক থোংবনা চানবীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** অখঙ-অহৈ লোয়নবা নত্রগা মখোয়গী পাউতাক লৌবা ফৈ। কিবা পোকপা অমদি নীংবা মপা ইচা চাদবা লৈ। হকচাং নুংঙাইবা, মীয়াম্না চানবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**মিথুন :** নাপল তৌদ্রবা অমদি অনম কন্দ্রবদি মাঙনিংঙাই অমত্তা লৈতে। লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নগনি, মীয়াম্না থাগৎপীবা অমদি নরল চাওখৎপা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইরনি, নীংবসু থুংলনি অমদি অকিবা লৈতনা থেংনবা থবক মায় পাক্কনি। শিন্দোকপা অমদি ৱাঙাং হৈবনা খুমাঙ চাওশিনবা শোইদে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি নিংথিনা পোরম য়াৎপা য়াগনি। য়েৎপা অমদি খুরৌ থাংবা লৈরম্বা কোকচৈ। মীতোপ লোয়নবদি য়াদ্রি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাঙথোকপা পকচৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কন্যা :** পূক্লিং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা অরুবা ৱারেপ নাইতোম খুদক্তা লৌগনু। মীয়াম্না য়ানবা হোৎনৌ নত্রবদি থাজবা মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**তুলা :** ৱাখল নুংঙাইবা, অনৌবা অশা লাকপা অমদি অনীংবা থবক পাংবা ফংবা নুমিৎনি। কোক শারসু লন ফংবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** ইকায়খুম্নবা ফংগনি, পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি ঙাঙ-শকপা হৈবা নুমিৎনি। অনৌবা মরুপ ফংগনি অমদি য়েৎনবদা মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশাওবনা মাঙওইনগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** মীচং লৈবা, নীংবদুমক ওইথোকপা য়াবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংজবা নুমিৎনি। পাউসু নুংঙাইবা তাগনি। খুরৌ থাংবা লৈরি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** ইচং থৌনা থবক পাংবা ঙমগনি, লৈঙাক্কী লম্দা কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি খরা ৱারবসু মীয়াম্না চানবীগনি। লল্লোনবদদি খুৎচাও থাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কুম্ভ :** য়েক্লববু ঙমজবা অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। অনম তানবা অমদি ফিংবদি মাঙজবতা থুংগনি। অরং-অরাক মাঙদনবা হোৎনৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন :** নচা ননাই চাওখৎপা, মীচং লৈবা অমদি লল্লোন ইতিক কান্নবা নুমিৎনি। লন চংবা অমদি য়েক্লবা ঙম্বা লৈ। ৱানোম্বদি মাঙগনি, অখঙ অহৈ শাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীচং ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।